# চাইনাগী গুৱাংঝৌদা পাঙথোকখিবা ব্রিক্স গেমস ২০১৭তা ৱুসুগী মেডল অহুম ফঙলক্লবা শান্নরোইশিং ষ্টেটকী স্পোর্টস মিনিষ্টরগা উন্নখ্রে




*ইম্ফাল, জুন ২২ঃ*
চাইনাগী গুৱাংজৌ সিটিগী গুআং দোং প্রোবিন্সতা থা অসিগী ১৭দগী ২১ ফাওবা চথখিবা ২০১৭ ব্রিক্স গেমসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী ৱুসু টিমদা শরুক য়ারুবা ৱুসু এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী ৱুসু শান্নরোই অমদি টিম কোচ ওইরুবা সসিদানন্দা ময়াংলম্বম ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবগা লোয়ননা ৱুসু এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী মাইকৈদগী তরান্না ওকখ্রে।

গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী ৱুসু টিম্না গোল্ড মেডল ২, সিলভর মেডল ২ অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ২ লৌবগী মনুংদা মণিপুরগী ৱুসু শান্নরোই ময়াংলম্বম জ্ঞানদাসনা নুপাগী তাইজিক্কান্দা গোল্ড মেডল ১, এন জি এ তোসিবলা দেবীনা নুপীগী চানক্কান্দা সিলভর মেডাল ১, কে বিদ্যাশোরি চনুনা নুপীগী তাইজিক্কান্দা সিলভর মেডেল ১ অমসুং নুপীগী তাইজিজিন্দা এল সনাতোম্বী চনুনা ব্রোঞ্জ মেডল ১ লৌবা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী ৱুসু টিমদা ৱেডল ৪ মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা পীবা ঙমখিবনি।

ৱুসু শান্নরোইশিং ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা এসোসিয়েসনগী মাইকৈদগী তরান্না ওকখিবগা লোয়ননা য়ুথ এফিয়ার্স এণ্ড স্পোর্টস মিনিষ্টর লেতপাও হাওকিপনা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা মহাক্কী লম্ফেলদা লৈবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকখ্রবা ৱুসু শান্নরোইশিং অমদি ৱুসু এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী থৌ পুবশিং তরান্না ওক্কুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

# ইন্দিয়াগী বোক্সর লাইশ্রম দেবেন্দ্রো সিংহ সেমিফাইনেল রাউন্দ য়ৌদুনা মেডল অমদি শোয়দনা ফংলগনি




*উলানবাটার, জুন ২২ ঃ*
মোঙ্গোলিয়াগী কোনুং সিটি উলানবাটোরদা পাঙথোকপা উলানবাটর কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর লাইশ্রম দেবেন্দ্রো সিংহ সেমিফাইনেল য়ৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা মেডল অমদি শুংশোয় শোয়দনা ফংলগনি।

মমাংগী চহীদা ফ্লাইৱেট কেটেগোরিদা থাক অমা হেনগৎলগা শরুক য়ারকখিবা লাইশ্রম দেবেন্দ্রানা ক্বার্টর ফাইনেলদা রুশিয়াগী বোক্সর দিমিট্রি য়ুসুপোবকা লম্বা তৌনবদা মায়পাক্তুনা সেমিফাইনেল য়ৌরকপনি।

পনবা য়াই লাইশ্রম দেবেন্দ্রো সিংহ কমনৱেল্থ গেমসতা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। মদুগী মতুংদা এসিয়ান গেমসতসু সিলভর মেডল অমসু ফংখি।

দেবেন্দ্রোনা চহী অসিগী হৌরকপদা শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্টশিং শরুক য়ারকপদা য়াম্না ঙল্লিঁঙৈদা মায়থিদুনা ফজবা ঙমখিদবনি। বলগেরিয়াদা পাঙথোকপা ষ্ট্রান্দিয়া বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং থাইলেন্দগী কিংস কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টতা মহাক অঙনবা রাউন্দদা মায়থিহৌখি।

বলগেরিয়াগী ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিএল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী মোহমদ হুসামুদ্দিননা কেজি ৫৬কী কেটেগোরিদা চাইনাগী বোক্সর মা জিন মিংগা লম্বা তৌনগনি। অমরোমদা কিংস কপ্তা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখিবা রোহিট টোকাস কেজি ৬৪গী কেটেগোরিদা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর চিনজোরিক বটারসুখকী মখুত্তা মায়থিদুনা লৈহৌখি।

ৱার্ল্ড টাইটল ৫রক ফংবা ঙমখ্রবা নুপীগী বোক্সর এমসি মেরি কোমনা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা বাই ফংদুনা লাক্লগা সেমিফাইনেল য়ৌননবগীদমক রুশিয়া অমসুং কোরিয়াগী বোক্সর অনী মথংশিংনা অনা এদমা অমসুং চোল মি বাঙগী অথোইবগা লম্বা তৌনগনি।

কিংস কপ্তা গোল্ড মেডল ফংখিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর কে শ্যামকুমারনা কেজি ৪৯গী কেটেগোরিদা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর এঙ্কমন্দাখ খারখুগা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগনি।

**বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেনট ২০১৭**

# য়ু ১৪দা উটলৌ হায়স্কুলনা, য়ু ১৭তা সম্বল্লেসেকপিলনা ৱিন্নর ওইখ্রে





*ইম্ফাল, জুন ২২ঃ*
দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসার বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা চহি ১৪ মখাগী নুপামচাগী টিম ১৩ অমদি চহি ১৭ মখাগী নুপামচাগী টিম ৪না শরুক য়াদুনা মিনি ষ্টেদিয়ম, বিষ্ণুপুরগী গ্রাউন্দা চত্থরকখিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেনট ২০১৭গী চহি ১৪ মখাগী নুপামচাগী উটলৌ হায়স্কুলনা অমদি চহি ১৭ মখাগী নুপামচাগীদা সম্বল্লে সেকপিল হায়স্কুলনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

চহি ১৪ মখাগী নুপামচাগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা উটলৌ হায়স্কুলগা কুম্বী সেন্ট্রেল হায়স্কুলগা লম্বা তৌনবদা উটলৌ হায়স্কুলনা গোল ২–০দা কুম্বী সেন্ট্রেল হায়স্কুলবু মায়থিবা পিদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

নাকল অনিনা লম্বা চানা শন্নখিবা মেটচ অদুদা খরা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা উটলৌ হায়স্কুলনা বোল হেন্না কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা মেটচকী ২৬ অমদি ৫৮দা দিঙ্কুনা গোল ২ স্কোর তৌবদগী উটলৌ হায়স্কুলনা টুর্নমেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখিবনি।

গ্রাউন্দ অসিমক্তদা শান্নখিবা চহি ১৭ মখাগী নুপামচাগী ফাইনেল মেটচতা সম্বল্লে সেকপিল স্কুলগা লোয়ালা স্কুলগা লম্বা তৌনবদা সম্বল্লে সেকপিল স্কুলনা গোল ২–০দা লোয়ালা স্কুলবু মায়থিবা পিদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

মেটচ অদুদা সম্বল্লে সেকপিলগী ৱিন্নর ওইখিবগী গোল অদু মেটচকী মিনট ২৭তা সুরজকান্তানা গোল ১ অমদি মিনট ৪৪দা য়াইফবনা গোল ১গা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী মতুং টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা মকোক মথং তারবশিংদা মনা য়েন্থোকখি।

# ২১শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট বিষ্ণুপুরনা ককচিংবু মায়থিবা পিখ্রে



*ইম্ফাল, জুন ২২ঃ*
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট ৬কী টিম ৬না গ্রুপ অনি থোক্লা খায়দোক্তুনা লম্বা তৌনগদবা ঙরাংদগী খুমন লম্পাক আর্টিফিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দা চত্থরকখিবা ২১শুবা সব–জুনিয়ার বোইস ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচতা দি এস এ বিষ্ণুপুরনা দি এস এ ককচিংবু গোল ৪–১দা মায়থিবা পিখ্রে।

নাকল অনিনা অকনবা চাং–মান্ননা শান্নখিবা মেটচ অদুদা খরা হৈশিংবা হেনখিবা দি এস এ বিষ্ণুপুরনা বোল হেন্না কন্ট্রোল তৌদুনা মেটচকী ৩৪ অমদি ৪৬শুবা মিনটতা এল অজেন্দ্রনা গোল ২, ৭৫শুবা মিনটতা এন অবুংতোন্না গোল ১ অমদি ৭৭শুবা মিনটতা এম জেটলিনা গোল ১গা স্কোর তৌবদগী দি এস এ বিষ্ণুপুরনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখিবনি।

মায়থিহৌরবা দি এস এ ককচিংগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদুনা মেটচকী মিনট ২২দা কেঐচ আবদুল রৌফনা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখাচত্থরকপা ওইনা হয়েং শান্নগদবা মেটচ অমদা ইম্ফাল ইষ্টকা ইম্ফাল ৱেষ্টকা লম্বা তৌনরগনি।

# ১৮শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ নিংশিং ফুটবোল এন সি সি, এম পি এস সি মায় পাকখ্রে




*ইম্ফাল, জুন ২২ঃ*
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা টিম ৭না শরুক য়াদুনা থা অসিগী ২০দগী এস কে ৱাই সি গ্রাউন্দ অৱাং সেকমাইদা চত্থরকখিবা ১৮শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিসন ফুটবোল লীগকী ঙসি অহানবা শান্নখিবা মেটচতা এম পি এস সি, ফার্ষ্ট বাটালিয়ন এম আরনা ৱই দি ও হৈনৌখোংনেম্বীবু গোল ২–০দা থোইখ্রে।

অনিশুবা মেটচতা এন সি ক্লব খোংহাম্পাটনা এস কে ৱাই সি সেকমাইবু গোল ২–০দা থোইখ্রে।

অহানবা শান্নখিবা মেটচতা এম পি এস সিগা ৱাই দি ওগা লম্বা চানা শান্নখিবা মেটচ অদুদা এম পি এস সিগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু মেটচকী ৪৫শুবা মিনটতা খিম বিকেনা গোল ১ অমদি ৫০শুবা মিনটতা কেএসঐচ কান্তানা গোল ১গা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী ৩৯শুবা মিনটতা ৱই দি ওগী কে কিরন অমদি ৪১শুবা মিনটতা এম পি এস সিগী খিম বিকেগী রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অনিশুবা মেটচতা এন সি ক্লবকা এস কে ৱাই সিগা লম্বা তৌনবদা এন সি ক্লবনা গোল ২–০দা মায়থিবা পিখিবনি।

মেটচ অদুদা এন সি ক্লবকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী মিনট ৪৬ অমদি ৬৬দা এনজি নাওচানা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী মিনট ৫৮দা এন সি সিগী হেরোজিৎ অমদি মিনট ৬৪দা এস কে ৱাই সিগী দব্লিউ প্রকাসপু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

# ৬২শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ নিংশিং কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭ এল এস কেগা সিঐচ এল কে এগা ফাইনেলদা থেংনরগনি



*ইম্ফাল, জুন ২২ঃ*
মণিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈ কাং এসোসিয়েসননা শিন্দুনা টিম ১২না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা মমাং থা মে ২৯দগী হৌনা শিংজমৈ নামৈরাকপম লৈকায়গী কাং সঙদা চত্থরকখিবা ৬২শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ (কে সি এস আই–সি বি ই) মেমোরিয়েল লীগ–কম নোক আউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা সিঐচ এল কে এ নম্বোল বমদিয়ার কাংখুৎনা সিঐচ এল কে এ নম্বোল কাংখুৎপু পানজল ১৫–১০দা মায়থিবা পিরন্নগা ফাইনেল চংখ্রে।

টুর্নমেন্ট অসিগী ফাইনেল দা এল এস কে ৱাঙ্গোই কাংখুৎকা সিঐচ এল কে এ নম্বোল বমদিয়ার কাংখুৎকা লম্বা থেংনরগনি।

# মিনিষ্টর বীশ্বজিতনা হোক্কি মশান্না চাওখৎনবা মীফম পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, জুন ২২ঃ*
পব্লিক ৱার্কস, রুরেল দিভলপমেন্ট অমদি পঞ্চায়টি রাজ, আই পি আর, এনমিনিষ্ট্রেটিব রিফোর্মস অমসুং ট্রেনিং, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ অমদি পৱারগী ফম পুরিবা টি ঐচ বীশ্বজিতনা ৱান মিল্লিওন হোক্কি লেগস ফাউন্দিংগী এক্সিকেটিব ব্যুজিনেস দিভলপমেন্ট শ্রী রোব ভান নেসকা ফম্মীন্নদুনা ষ্টেট অসিদা গ্রাসরুট লেভেলদগী হোক্কি মশান্না অসি কমদৌনা শেমগৎপা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা মতম শাংনা খন্ন–নৈনখ্রে হায়রি। তুংদা মহাক্কী ন্যু সেক্রেটরীয়েৎ ওফিসতা নুমিদাং ৱাইরমদা অমুক হন্নসু উনখি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা ইং ২০১৪গী জানুৱারী থাদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকা ডটচ গভর্নমেন্টকা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) স্পোর্টস দিভলপমেন্টকী মতাংদা সহি তৌনখিবা লৈ হায়খি।

এম ও য়ু অসিগী মখাদা ৱান মিল্লিয়ন হোক্কি লেগস কী এক্সুকেটিব ব্যুজিনেস দিভলপমেন্টনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎলকপগী মনুংদা মণিপুর ষ্টেটতসু গ্রাসরুট লেভেলদগী হোক্কি মশান্না অসি শেমগৎলক্লুবগী প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎনবগী অপাম্বা লৈ হায়নসু মিনিষ্টর বীশ্বজিৎনা হায়খিবনি। স্পোর্টস চাওখৎহন্বতা নত্তনা লৈবাক অনিগী ওইবা অফবা মরী লৈনরিবা ইন্দিয়া অমদি ডটচ হোক্কি মশান্ননা অসি পান্না শান্নরবিনি।

# কোচ কোন্সটেনটাইননা চহী ২২ মখাগী শান্নরোই অফবা থিরি



*ন্যু দিল্লি, জুন ২২ঃ*
ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল কোচ ওইরিবা ষ্টেফেন কোন্সটেনটাইননা ইন্দিয়াগী সেনিয়র ফুটবোল টিম অফবা অমা শেমননবগীদমক চহী ২২ মখাগীদা লৈরিবা শান্নরোইশিংগী মরক্তগী অফবা শান্নরোই থিনবা কন্না হোৎনরি।

ইন্দিয়াগী চীফ কোচ অসিনা ফোংদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী চহী ২২ মখাগী শান্নরোইশিংগী মরক্তগী অফবা শান্নরোই শুংশোই শোইদনা ফংগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোরক্লি।

কোচ অসিনা কুমজা ২০১৮গী এসিয়ান কনফিদরেসন কপ (এ এফ সি) ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়াগী টিম ক্বালিফাই ওইননবগীদমক অফবা টিম অমা শেমগৎননবগী পান্দমদা থবক পায়খৎলি।

ৱাফম অসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমগী ট্রেনিং সেসন অমগী মনুংদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী কাংবুগা উন্নবা অমদা ফোংদোকখিবনি।

ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারিদা য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স পীদুনা হান্না লৈরম্বা রেকোর্ডতগী অহেনবা মমাংদা লৈখিদ্রিবা রেকোর্দ কয়া থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা কোচ অসিনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল অসি মখাতানা ফগৎপা য়াবগী অচৌবা মফম অমা লৈরি হায়না ফোংদোকখি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারীদা অহানবা ওইনা ফিফাগী ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী টিম অসি পোজিসন ১০০গী মনুংদা অহানা ওইনা হায়গৎপা ঙল্লিবনি।

# ইন্দিয়াগী মহেশ ক্বার্টর য়ৌখ্রে

*চেন্নাই, জুন ২২ঃ*
ইন্দিয়াগী মহেশ মনগাওকরনা ন্যু জিলেন্দগী ওকলেন্দ সিটিদা পাঙথোক্লিবা স্কৱাস এক্স এল ওপন টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা সিক্স সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী মহেশ মনগাওকরনা ভালান্টিনো বোঙবু ১১–৫, ১১–৬, ১১–৬তা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী মহেশনা মলেসিয়াগী ভলান্টিনোবু ঙসি মায়থিবা পীখিবা অসি থারগা মখোয় অনীনা থেংনরকপা মেটচ ৪মক মহেশনা মায়পাক্তুনা লাক্লি।

মহেশ মানগাওকর চহী অসিগী ওইনা শরুক য়ারকখিবা টুর্নামেন্ট কয়াদা টাইটল লৌরম্বা য়াবা খুদোংচাবা তাঞ্জা কয়া মাঙজখি। ন্যু জিলেন্দ ক্লাসিক টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা মহাক মায়থিহৌখি। অদুগা সাউদর্ন ওপনগী ক্বার্টরদা লৈহৌবনি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*